# কম্মুনিষ্ট পার্টি লীংখৎপগী চহী চাম্মগী কুমওন

- যুগোল সাই -

কুমজা ১৯১৭তা রসিয়াদা পাঙথোকখিবা বোলসেভিক রেভল্যুসন্না পীরকপা ইথিলনা ময়াই কাহল্লকপদগী ইন্দিয়াগী কম্মুনিষ্ট পার্টি অসি তাসকেন্টদা কুমজা ১৯২০দা শেমখি। গান্ধিজিনা লুচিংদুনা চৎখিবা নন-কোওপরেসন অমসুং খিলাফাটকী ঈহৌশিংগী লাইবক অদুদা পেন্দ্রবা অমসুং রসিয়ান সোসিএলিষ্ট রেভল্যুসনগী ইথিলনা মার্ক্সিজমগী লৌশিং খঙ হৈরবা, থৌনা ফরবা নহা ওইরিবা এম এন রোইনা লুচিংবা মীওই তরেৎনা ইন্দিয়াগী নীংতম্বা অসি সোসিএলিষ্টকী লম্বীদা পুরক্লবা সোভিএট কম্মুনিষ্ট পার্টিদগী লমজিং লৌনবা হোৎনখি। মফম অদুদা কম্মুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী অহানবা য়ুনিট অমা শেমখি।

কুমজা ১৯২০গী ওক্টোবর ১৭তা সোভিএট য়ুনিয়নগী মনুংদা লৈবা তর্কিষ্টান রিপব্লিক্কী কোনুং তাসকেন্টদা কম্মুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া শেম্লে হায়না লাউথোকখি। মীটিং অদুদা এম এন রোই, এভেলাইন ত্রেন্ট রোই, অবানি মুখর্জি, রোসা ফিটিগোভ, মহামদ আলি, মহমদ সাফিক অমসুং এম পি বি টি অচারিয়া মীওই তরেৎ অসি তিনখি। মহামদ সাফিক অসি পার্টিগী সেক্রেটরি খনখি। হৌদোকপা মীটিং অদুদা কোমিনর্টন্না লাউথোকপা প্রিন্সিপলশিং অদু ৱারেপ ওইনা লৌখি অমসুং ইন্দিয়াগী ফীভমশিংদা চানগদবা সী পি আইগী প্রোগ্রাম অমা পুথোকপা হায়না লেপ্লখি।

কুমজা ১৯২০দা মোস্কোদা পাঙথোকপা কম্মুনিষ্ট ইন্টরনেসনলগী অনীশুবা কোংগ্রেসতা এম এন রোই মেক্সিকান কম্মুনিষ্ট পার্টিগী দেলিগেট অমা ওইনা শরুক য়াখি। অবানি মুখর্জি অমসুং অচারিয়া কোংগ্রেস অদুদা এদভাইজরি কেপাসিটিনা শরুক য়াখি। মহামদ সাফিক্লা ওবজার্ভর অমা ওইনা শরুক য়াখি।

এভেলাইন অমেরিকান কম্মুনিষ্ট অমনি অমসুং মহাক এম এন রোইগী নুপীনি অদুগা রোসা ফিটিগোভনা রসিয়াগী কম্মুনিষ্ট অমনি। মহাক অবানি মুখর্জিগী নুপীনি।

গ্রুপ অদুদা লৈবা ইন্দিয়ানশিং অদু নহা ঙাক্তনি, লৈবাক নীংবগী মৈশা ফাওবগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা লৈরিবা বৃটিশকী লৈঙাক ইন্থুনবা রেভল্যুস্নরি ঈহৌ অমা নৎত্রগা খূৎলায় পায়বা ঈহৌ অমা শাগৎনবা লম্বী থিবা ওইনা ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চৎখিবনি। এম এন রোই, অবানি মুখর্জি অমসুং এম পি বি টি অচারিয়া অসি অদুগুম্বা মখলনি। মহামদ সাফিক অমসুং মহামদ আলিদি মুজাহিরশিংনি। মখোয় বৃটিশ থেংননবা পান্দমদা মতেং লৌনবা তাসকেন্টদা চৎপনি।

অসুম্না, তাসকেন্টদা কম্মুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া শেমখিবগী মরমদা মালেমগী প্রোলেটরিয়ান রেভল্যুসন অমসুং ইন্দিয়া নীংতম্বগী ষ্ট্রগলগা মরী শম্নখি।

মখোয়না তাসকেন্টদগী ইন্দিয়াদা হল্লক্লবা মতমদা শিন্মী অমসুং লৌমীশিংগী মরক্তা থবক তৌবা হৌখি। মতম অদুদা ইন্দিয়া পূম্বগী ওইবা অপূনবা কম্মুনিষ্ট পার্টি অমা লৈত্রি, কম্মুনিষ্ট গ্রুপ খরদি কোলকটা, মুম্বাই, লাহোর অমসুং মাদ্রাজ অসিনচিংবা খরদা লৈখি। মতম অদুদগী লোইলম শন্দোকপা মপু বৃটিশনা য়াম্না চুম্না খঙখি মদুদি মখোয়দা য়াম্না চাউনা শিংনরক্কদবা অসি কোংগ্রেস নৎত্রগা আর এস এস নত্তে। শিংনরক্কদবা অসি ইন্দিয়াগী ‘বোলসেভিকশিং’ সোভিএট রেভল্যুসন্না ময়াই কাহল্লবা কম্মুনিষ্টশিং অসিদগী লাক্কনি হায়না খনখি। কম্মুনিষ্টকী ঈহৌ অসি ময়োন্দা ককথৎনবগীদমক বৃটিশকী লৈঙাকপশিংনা পুৱারীগী ওইনা মমিং লৈরবা পেসৱার অমসুং মীরুট কন্সপিরেসি কেস মঙা শেমখি অমসুং কুমজা ১৯২১ অমসুং ১৯২৫ ফাওবা কম্মুনিষ্ট গ্রুপকী লুচিংবশিং অয়াম্বা কেসশিং অসিগী মখাদা ফাখি। অসিগুম্বা কেসশিং মরিখক্তা ফারবা পূম্নমক চৈরাক পীখি অমসুং মীনুংশি হৈতনা হকচাং অমসুং ৱাখলদা ওৎ নৈবিখি। মখোয় কুমজা ১৯৩৪দা থাদোকখি। মখোয় থাদোরক্লবা মতুংদা ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা কম্মুনিষ্ট পার্টিগী ওর্গনাইজেসনেল ষ্ট্রকচর অমা মুম্বাইদা ফম্বা কনফরেন্স অমদা এস ভি ভাতেবু সেক্রেটরি ওইনা খল্লবা মতুংদা পার্টিগী শুপচিনবা মথৌশিং তৌবা হৌরকখি। অহৌবদা অইবা প্রোগ্রাম অমত্তা লৈতে।

মতম অদুদা লৈবাক্কী নীংতম্বা ঈহৌদা য়াওবা কম্মুনিষ্টকী লুচিংবা গ্রুপ খরা কোংগ্রেস মনুংদা অরোনবা ফিজোল শেৎলগা লৈখি, মখোয়দুগী মনুংদা হাসরাট মোহানিসু অমনি, কুমজা ১৯২১দা এ আই সী সীগী অহমেদাবাদ সেসন্দা ইন্দিয়া অসি মপূং ফানা নীংতম্বা তান্নবা মহাক্লা পুখৎখি। মদুদা গান্ধিনা কন্না য়েৎখি মরমদি মহাক্লা ‘দোমিনিয়ন ষ্টেটস’কী দাবী খক্তা পুখৎপা পামখি। কম্মুনিষ্ট পার্টি মতোমতনা খঙবা ঙমখি মদুদি লৈঙাকলোনগী নীংতম্বা ফংবখক্তনা পাক চাউরবা মীওই মিলিয়নশিং অসি কেপিটেলিষ্ট অমসুং ফ্যুদেলগী মীওৎ-মীনৈদগী নীংতম্বা ফংবা ঙম্লোই। অসুম্না মখোয়না নীংতম্বগী ঈহৌদা চংশিনবগা লোয়ননা চপ মান্নবা মওংদা ফ্যুদেলিজম অমসুং কেপিটেলিজমগী মায়োক্তা মীয়ামগী শেন্মীৎলোনগী নীংতম্বা ফংনবা ষ্ট্রগলশিং চংশিনবগী তঙাইফদবা অদু ফাওখি। মরম অদুনা পুৱারীগী ওইনা ইদুনা লৈখ্রবা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতুংদা ফ্যুদেলগী মায়োক্তা লাম্হেংনখিবা, তেলঙ্গনাদা লৌমীশিংগী খূৎলায় পায়বা ঈহৌ, বেঙ্গলদা টেভাঘাগী ঈহৌ, কেরলাদা পুন্নাপ্রা ভায়ালারগী ঈহৌ, অসামদা সর্মা ভেলিগী ঈহৌ, মহারাষ্ট্রদা ৱার্লিগী ঈহৌ, মণিপুরদা কৃসক সভাগী ঈহৌশিং লৈখি। ঈহৌশিং অসিগী ইথক ইপোমশিং অসিগী মরক্তা মুম্বাইদা লৈবা নেভেল ষ্টাফনা মচু অহুমগী ফিরাল, অঙাংবা মচু অমসুং মুসলিম লীগকী ফিরাল চিংখৎলকপা অদুনা নীংতম্বগী ষ্ট্রগলগী মরী পূম্নমক লাকখি। মসিগী লালহৌ অসিনা লোইলমগী লৈঙাক মপুশিং নিকহনখি, মখোয় পোৎয়োম য়োল্লগা চেনখিবা নত্তনা অতৈ লম্বী লৈখিদে, অদুবু মমৈদা হৈ শিংলবা বৃটিশনা ইন্দিয়ান সব-কন্টিনেন্ট অসি লাইনীং লম্বী অনীদা য়ূম্ফম ওইরগা ষ্টেট অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা মতম চূপ্পগী ওইনা য়েংথিহন্নবা থম্বীরমখি।

ফ্যুদেলিজমগী মায়োক্তা লাম্হেংনবগী ৱাহংদা কোংগ্রেস পার্টি অসি মতম চূপ্পদা থওই ৱাওইদে অদুগী মহুত্তা ফ্যুদেলগী লৌয়াম চাবশিংগী মায়কৈদা তোংশিনখি। কোংগ্রেসকী মনুংদা য়াওদুনা লৈরম্বা লেফটিষ্টশিং মতম অদুদা কোংগ্রেস থাদোক্লগা কম্মুনিষ্ট পার্টিদা য়াওরকখি অমসুং মমৈদা সী পি আই (এম) ওইরকখি। মদুদগী মখোয়গী অকক্লবা পাঙ্গলনা লৈবাক অসিদা লেন্দ রিফোর্ম তৌবগী ষ্ট্রগল পাঙথোকপা হৌখি। লেন্দ রিফোর্মগী থবকশিং অদু কম্মুনিষ্টনা লৈঙাকপা কেরলা, নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং ত্রিপুরাদা পাঙথোকখি।

অচৌবা ওক্টোবর সোসিএলিষ্ট রেভল্যুসন্দগী খ্বাইদগী চাউবা পাড়া মীয়াম্না তমখিবা অসি মীয়ামগী এক্সনশিংনা তৌখিবা মহয়শিংনা ফংবা ঙমখিবা অদুনি। রসিয়াগী মীয়াম্না জারগী মায়োক্তা মায়থীবা পীবা ঙমখিবা অমসুং মীয়াম্না পানবা লৈঙাক লীংখৎপা ঙমখিবা অদুগী ৱাখলনা থৌনা হাপকৎখি। চপ মান্নবা খূৎলায় অদু শীজিন্নরগা বৃটিশকী লোইলমগী লৈঙাক অদু মায়থীবা পীরগা নীংতম্বা ফংগনি হায়বা ৱাখল্লোন অদুনি। বৃটিশ লৈঙাক্কী মায়োক্তা পেন্দবা হেঙ্গৎলকপা, নন-কোওপরেসনগী ঈহৌ হন্দোকখিবা অমসুং তাঙ্কক অদুদা লৈখিবা ইন্দিয়াগী রেভল্যুসন্নরিগী গ্রুপশিংদা অকক্লবা লৈখিবা অদুনা মতম অদুগী মীয়াম্না অতোপ্পা লম্বী অমা থিরকপদা ওক্টোবর সোসিএলিষ্ট রেভল্যুসনগী ৱাখল্লোন মখোয়দা লাকখি।

ইন্দিয়াদা কম্মুনিষ্টকী ৱাখল্লোনশিং শন্দোরকপদা বৃটিশকী ৱাখলদা পূক্নিং লাংবা পোকখি অমসুং কম্মুনিষ্ট পার্টি শেম্বগী পাউ ফংবদা মখোয়দা মখা তানা অকিবা পোকখি। সোভিএট য়ুনিয়ন্দগী ইন্দিয়াদা চংলকপা কম্মুনিষ্ট রেভল্যুসন্নরিশিং ফারগা পাউখুম পীখি অমসুং পেসৱার জেলদা নমশিনবিখি। অসিগুম্বা রেভল্যুসন্নরিশিং অদু লৈবাক থুগাইবগী মরাল শিবিখি। কুমজা ১৯২৩দা মখোয় অয়াম্বা ফাদোক পীখি - অয়াম্বনা চহী অমদগী তরাফাওবা তমথীবা ফাদোক থমখি। ফাদোক পীখিবশিং অদুগী মনুংদা টাসকেন্টদা সী পি আইগী সেক্রেটরি খনখিবা মহামদ সাফিক য়াওখি। পেসৱার কন্সপিরেসি কেস অদুদা মখোয় মঙা য়াওখি, মসিনা ইন্দিয়াদা কম্মুনিষ্ট কন্সপিরেসি কেস অহানবনি।

হোম দিপার্টমেন্টনা লৈঙাক্কী ওফিসলশিং পূম্নমক্তা চেকশিন ৱা অমা থারম্মী অমসুং খুদক্তা কম্মুনিজমগী কিহল্লকপা অদু চপখায়বগী থবক তৌনবা য়াথং পীখি - : “কম্মুনিজম উখোরকপা পূম্নমক্তা প্লেগ লায়না মুথৎপগুম থেংনগদবনি। ইন্দিয়াদা কম্মুনিজম শন্দোরকপা অসি অকক্লবা মীৎয়েং অমদগী অতৈ প্রোব্লেমশিংগা মান্ননা য়েংলোইদবনি, মদু মমাইদা চুমদ্রিং য়েংগদবনি অমসুং খ্বাইদগী ঙাকপীনীংঙাই ওইদবা লমচৎনা মখোয়গী মায়োক্তা লাম্হেংনগদবনি।”

মখোয়না হোৎনবশিং পূম্নমক হোৎনরবসু লৈবাক শিনবা থুংবদা কম্মুনিষ্টকী ৱাখলশিং শন্দোরকপা অদু লেপহনবা ঙমখিদে। গ্রুপশিং কয়ামুক্লা কম্মুনিষ্টকী ৱাখল্লোনশিং নীংতম্না থবক তৌরকখি, সহরশিংদা অমসুং ইন্দষ্ট্রিএল সেন্টরশিংদা সোসিএলিজমগী ৱাখলশিং শন্দোরকখি। মোস্কোদগী হল্লকপা সৌকাট উসমাননা বানারষ্টা কাঙবু অমা শেমগৎখি, মুজাফর অহমদনা কোলকটাদা, দাঙ্গেনা বোম্বেদা, সিঙ্গারাভেলুনা মাদ্রাজদা অমসুং গুলাম হুসেইননা লাহোরদা থবক তৌখি।

এম এন রোইনা ফোঙবা ভেনগার্দ কৌবা চেফোঙ অদু বৃটিশনা ফোঙবা থিংজরবসু লোন্না জহাজদা পুরক্লগা অপাবশিংদা য়ৌহনবা ঙমখি। চেফোঙ অদুদা য়াওবা ৱারেংশিংদগী লৌশিং ফংবদা নত্তনা সোভিএট য়ুনিয়ন অমসুং সোসিএলিজমগী মখল কয়াগী লাইরিকশিং অমসুং পাউগী রিপোর্টশিং ফংদুনা কম্মুনিষ্ট ঈহৌগী লময়ানবশিংনা ৱাখলশিং অসিদা মখা তানা শন্দোকপা ঙমখি।

মুজাফর অহামদ অমসুং বেঙ্গলগী অফাওবা কবি কাজি নাজরুল ইস্লাম্না নুমিৎ খুদিংগী পাউচে নবয়ুগ (অনৌবা য়ুগ) ফোঙখি। পাউচে অসিগী তোপ তোপ্পা মগুনদি মসিগী পাউগী আইটেমশিংদা শিন্মী অমসুং লৌমীশিংগী মচাকশিং য়াওখি। পাউচে অসি পুথোকপগী লম্বীদা অমসুং মুজাফার অহমদকী য়ুটরিয়েলশিংদা অহুমশুবা ইন্টরনেসনলদা পূক্নিং চংখি। আবদুর রাজাক খান, অবদুল হালিমনা গ্রুপ অসিদা য়াওদুনা কোলকটাদা কম্মুনিষ্টকী ৱাখলশিং শন্দোকপদা অচৌবা রোল লৌখি।

মসিগা চপ মান্ননা পেসৱারগী লৈঙাক্কী কোলেজদা লেকচরর ওইনা থবক তৌবা গুলাম হুসেইন মোস্কোদগী হল্লকপা রেভল্যুসন্নরি খরগা উনখি অমসুং মখোয়গা ৱা খন্নরবা মতুংদা লাহোরদা মীয়াম খোম্বগী থবক চংশিনবা হৌখি। মহাক্লা সামসুদিনগা লোয়নরগা ইনক্বিলাব কৌবা থাগী চেফোঙ অমা ফোঙখি অমসুং মহাক্লা নোর্থ রেলৱে ৱার্করস য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি ওইখি। মখোয়না লাহোরগী নেসনল কোলেজ অদু মখোয়গী থবক তৌফমগী সেন্টর শেমখি। পঞ্জাবকী লেমহৌরিবা মফমদা গাদর ঈহৌগা শম্নবা কমরেদশিং কয়া অসিগুম্বা গ্রুপশিং শেমখি। সৌকাট উসমানি মোস্কোদগী হল্লক্লবা মতুংদা বানারসতা লৈখি অমসুং মহৈরোয়শিংগী মরক্তা চংশিন্দুনা থবক তৌবা হৌখি। মহাক কানপুর অমসুং অকোয়বদা লৈবা মফমশিংদা কন্না থবক তৌখি।

মাদ্রাজদা উকিল ওইবদগী এক্টিভিষ্ট ওল্লকপা সিঙ্গারাভেলু চেটিয়ারনা শিন্মী অমসুং লৌমীশিং খোম্বা হৌখি। মহাক্লা ইংলিসতা থাখায়গী চেফোঙ লেবর কীসান গেজেট ফোঙখি অমসুং থোজিলালাল কৌবা টামিল লোন্দা চয়োল অমদা ফোঙবা হৌখি। সিঙ্গারাভেলুনা মহাত্মা গান্ধিদা অফোঙবা চিঠি হায়বা অমা কুমজা ১৯২১দা ইখি : “ঐনা থাজে মদুদি কম্মুনিজমখক্তনা মদুদি লম অমসুং মরুওইবা ইন্দষ্ট্রিশিং মান্ননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা শিন্মীশিং পূম্নমক্তা চপ মান্ননা পায়শিল্লগা শীজিন্নবনা ঐখোয়গী মীয়ামগী নীংতম্বা অমসুং অশেংবা অপেনবা অমা পুরকপা ঙমগনি... পোলিটিকেলগী ওটোক্রেসিগী মায়োক্তা ঐখোয়না নন-ভাইওলেন্ট অমসুং নন-কোওপরেসন শীজিন্নবা ঙম্বা মতমদা, চপ মান্নবা অদু কেপিটেলিষ্ট ওটোক্রেসিগী মায়োক্তা শীজিন্নবা ঐনা উবা ঙমদে করিগীনো? ঐখোয়না অতৈগী মায়োক্তা থেংনবা য়াওদনা অমগী মায়োক্তা থেংনবা ঙম্লোই।”

মহাক্লা য়াম্না শেংনা হায়রি মদুদি লৈঙাক্লোনগী নীংতম্বা ফংবগা লোয়ননা শিন্মীশিংনা শেন্মীৎলোনগী নীংতম্বা ফংবা মথৌ তাই অমসুং শিন্মীশিং অমসুং লৌমীশিংগী ওর্গেনাইজেসন অমা শেম্বগী তঙাইফদবা লৈ হায়না হংখি। মহাক্কী মত মতুংইন্না ওর্গনাইজেসন অসিনা ইন্টরনেসনল ৱার্কিং মেন এসোসিএসন মোস্কোগী (কম্মুনিষ্ট ইন্টরনেসনলগী) চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্কদবনি মদুদি ‘ইন্দিয়ানশিংগী লৈরিবা ফীভমশিংদা চানবা মওংদা শেমদোক্কদবনি।” কুমজা ১৯২৩দা সিঙ্গারাভেলুনা মাদ্রাজদা ইহান হান্না মে ডে পাঙথোক্তুনা লেবর কিষান পার্টি হৌখি।

বৃটিশ হোম দিপার্টমেন্টনা ১৯২২গী য়েনীং থাদা কম্মুনিষ্টকী চেফোঙশিং কয়ামরুম লৈরে হায়বা খঙখি: অত্মা শক্তি, ধুমকেতু, দেসের বানি, নবয়ুক (বেঙ্গল) লেবর গেজেট, নবয়ুগাম (মাদ্রাজ অমসুং ইনক্বিলব, কীরটি (পঞ্জাব)।” মখোয়না মসিমসু খঙখি মদুদি ইন্দিয়াগী অচৌবা পাউচে কয়াদা কম্মুনিজমগী ইথিল মরাং কায়না লৈরে। মখোয়না থোইদোক হেন্দোক্লা অমরিতা বাজার পত্রিকা (কলকতা), সারভেন্ট (বোম্বে) অমসুং বন্দে মাতরম (লাহোর) অসি মখোয়দা রিপোর্টশিং লৈখি।

মখল কয়াগী গ্রুপশিং পূম্নমক অসিগী লুচিংবশিং অমগা অমগা পাউ ফাওনখি অদুম ওইনমক মরমশিং কয়ামুক্লা মখোয় মশা মশা উনবদি ঙমখিদে। মখোয়গী ৱাখল্লোন মান্নবা লৈবগী মথক্তা এম এন রোয়না মখোয়গী থবক থৌওংশিংদা অমগা অমগা মতেং পাংনবগী মরুওইবা রোল শান্নখি।

ইন্দিয়ান নেসনল কোংগ্রেস (১৯২২) গী গায়া সেসন্দা সিঙ্গারাভেলুনা দাঙ্গেগা উনখি অমসুং মীয়াম তিনবা অদুদা ৱা ঙাঙখি। পুৱারীগী ওইবা থৌদোক অসিদা এম এন রোইনা হায়খি মদুদি কোই অঙৌবা হৌরবা (চহী হুম্ফু হেল্লবা) মীশিংনা মহাক মশা কম্মুনিষ্ট অমনি হায়না ফোংনা লাউথোকপা ঙল্লগা থৌনা ফরবা নহাশিংনা লৈঙাক্লা ফাগনি, পূনগনি হায়না পূক্নিং হন্থনা অকিবা পোক্লা ইকায়খুম্নরবা লৈবাক নীংবগী থাক্তা লৈখি।

কম্মুনিষ্টকী ঈহৌনা তপ্পা অমসুং মরা চেৎনা শন্দোরকপদা বৃটিশ কাঙবুদা শাথিনা নুংনাংবা পোকখি। হোম দিপার্টমেন্টনা ইশিনখি মদুদি ‘মসিনা (কম্মুনিষ্ট পার্টি) ইন্দিয়াগী শান্তি অমসুং চাওখৎপদা অকায়বা পীরিবা অসি অহানবা কম্মুনিষ্ট কন্সপিরেসি কেস অমা লৌখৎপা শাথিনা মরাং কায়না মথৌ তারে।” কুমজা ১৯২৩গী মেদা, সৌকাট উসমানি কানপুরদগী ফাখি অমসুং মুজাফার অহমদনা কোলকটাদগী ফাখি। নুমিৎ খরগী মতুংদা গুলাম হুসেইন লাহোরদগী ফাখি। মখোয় অহুম্মক ৱায়েল চৎথদুনা কুমজা ১৮১৮গী রিগুলেসন থ্রিগী মখাদা জেল কয়াদা থমখি। কুমজা ১৯২৩গী দিসেম্বরদা নলিনি গুপ্তসু চপ মান্নবা রিগুলেসন অদুগী মখাদা ফাখি। মহাক পার্টি অমত্তগী মেম্বর নত্তে, অদুবু মহাক মশা নেসনেলিষ্ট রেভল্যুসন্নরি অমনি হায়না খঞ্জখি।

কুমজা ১৯২৪গী মার্চ থাদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট কানপুরদা এস এ দাঙ্গে, সৌকাট উসমানি, মুজাফার অহমদ, নলিনি গুপ্তা, গুলাম হুসেইন, সিঙ্গারাভেলু চোটিয়ার, রামাচরন লাল শর্ম্মা, মনাবেন্দ্র নাঠ রোই মখোয় নিপালগী মথক্তা ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ১২১ - এদা চার্জসিট থাঙ্গৎখি। মখোয় নিপানগী মনুংদা সিঙ্গরাভেলুদি ফমুংদা নাদুনা হৌগৎপা ঙমদনা লৈবা মরম্না কোর্টতা পুথোকখিদে অমসুং বেলদা থাদোকখি। গুলাম হুসেইনদি পুলিসতা ঙাকপীনবা হায়জবদগী নীংতম্না ফংখি। রামচরন লাল শর্ম্মাদি পোন্দিচারিদা লৈবা ফ্রেঞ্চ লৈঙাক্লা ঙাক্তুনা লৈবদগী ফাবা ঙমখিদে। এম এন রোইদি য়ুরোপ্তা লৈবদগী ফাবা ঙমখিদে। কোর্টকী প্রোসিদিংস অদু মুজাফার অহমদ, এস এ দাঙ্গে, সৌকাট উসমানি অমসুং নলিনি গুপ্তুখক্তদা চংখি। লৈঙাক্লা কেস অসি কানপুর বোলসেভিক কন্সপিরেসি কেস হায়না কৌখি। ●




ফুসম্পাল/ খোঙহাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থবা, অমাংথোঙ মনুং অমসুং মপান্দা তৎপা, মশানা শৌজ অদু হনগৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, ফম্বদসু অমুক নাম্থবা, খোঙ হাম্বা লোইরকপদা অমাংথোঙদা শারি-শারি তৌরগা লৈবা অদু ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থবা, অমাংথোঙ মনুং অমসুং মপান্দা তৎপা, মশানা শৌজ অদু হনগৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, ফম্বদসু অমুক নাম্থবা, খোঙ হাম্বা লোইরকপদা অমাংথোঙদা শারি-শারি তৌরগা লৈবা, খোঙ অকনবা হাম্লকপদা অমাংথোঙ মনুংগী অতৎপদুদা থেংলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙদা মফম অনী পোল্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বদা থুপ্পা অমদি শাবা, অমাংথোঙদা পোল্লগা লৈবা অদু নাই ওমখৎলগা য়াম্না চিকপা, নাই অদু মেৎথোকখ্রগনা চিকপা খরা ফবা, লোক খুবদা অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না নাবা লোক খুনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা, কোক ঙাওবা, ঙকশম মরী নাবা, খ্বাং নাবা, খোঙয়া শাবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্ননীংবা ইফাও ফাওদবা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275/ 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad Phusam বু মপোকসিগী কাউজররোই।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Sat. and Wed open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/5986/31 থাগৎচরিবী : Ksh. Ashalata, Moirang



ফুসম্পাল/ওজা কবিরাজ রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচবা ফোঙদোকচরি

ওজা কবিরাজ রিয়াজুদ্দিনগী পাউতাক্কী মতুংইন্না হীদাক চাবা অমদি তৈবা তৌবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী প্রোব্লেমশিং খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী চেকখায়বা, ঈ য়াওবা, থুপ্পা-চিকপা, শাবা, অমাংথোঙদা ব্রি-ব্রি চৎপা, হাকৎচবা, কক-কক থিনবা, অমাংথোঙগী মনুং-মপান্দা পোম্বা, মচুম তারগা চিকপা, গ্যাষ্ট্রিক, খ্বাং নাবা, য়াংলেন নাবা, চাবা তুমদবা তৌরম্বা অদু ওজা এম ভি রিয়াজুদ্দিন বুয়াময়ূম ☎ 7085494783, 9856797338 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী অনাবশিং মপূং ফানা ফজনা ফজরে। ওজাবু পুন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইহনবীয়ু হায়না মপুদা থৌনিজরি। মরম অসিনা ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি।

লায়েংফম :-1) North AOC near Central GST Bhavan, Imphal.
2) Mayang Imphal Konchak Bazar.

HL-P/5993/31 থাগৎচরিবা : Budhichandra, Hiyanglam



ফুসম্পাল/খৌনাও নাকল অনীদা পোমথোক্লগা লৈবা, খৌনাও মনুংদা পোমথোক্লগা লৈবা অদুদা নাই চারকপা, তিন শিৎপা ঙমদবা, খৌনাও মনুংদা য়াম্না চিকপা তৌরগা করিমতা চাবা-থকপা য়াদবা, কোক চিকপা, লাইহৌ তোয়না হৌবা, খজাই নাকল নাম্মা পোমথোরকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা তোন্সিলনা য়াম্না কন্না নাদুনা খৌনাওগী নাকল অনীদা পোমথোক্লগা লৈবা, খৌনাও মনুংদা পোমথোক্লগা লৈরগা নাকল অনীদা নাই চারকপা, তিন শিৎপা ঙমদবা, খৌনাও মনুংদা য়াম্না চিকপা-শাবা তৌরগা করিমত্তা চাবা-থকপা য়াদবা, ঙমদবা, খজাই নাকল নাম্মা পোম্বা, লাইহৌ তোয়না হৌবা, কোক তোয়না চিকপা, নোংম-নোংমগী হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা, তোন্সিল নাবদগী মতম খরা লৈরগা নাতোন মখুল অনীমক ফুল্লগা শ্বর হোনবদা ফুল্লকপা, হৈ চাবা য়াদবা, শা-ঙা চারগসু হেনবা, অতৈ অতেক অনৌ চাবা য়াদবা, খৌনাও মনুংদা লোক্কুম্না খজিক্তং লৈবদু খুদোকপা ঙমদবা, খাক-খাক তৌরগা লৈনীংবা, লৈতোন্দা ফুরি মকুপ মচা মচা শৌদোরকপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/5805/31 থাগৎচরিবা : AK. Ranjit Singh, Thoubal Bazar.

ফুসম্পাল/ য়াম্না নুংঙাইজে পাইলস ফহনবগীদমক থাগৎচরি

চহী ১২ পাইলসকী অৱাবা খাংদুনা লাকখি। শা-ঙা চারগা ৱাবা হেল্লি। খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা, শৌজগী অকোয়বদা চাথৎলগা থুপ্পা-শাবা, চিকপা, শৌজদা ব্রি-ব্রি চৎপা, চক-চক থিনবা, হাকৎচবা, পুক নুংঙাইতবা নুংশিৎ কাবা, শৌজ নাম্থরকপা, ইনখৎত্রি ফাওবা চংদবা, শৌজগী অকোয়বদা মচা-মচা পোমথোরক্লগা লৈবা, খ্বাং নাবা, চানীংবা পোক্তবনি। অদুবু ওজাগী পাউতাক্কী মতুংইন্না হীদাক চাজবদগী শুপ্নগী নুমিৎ ১৮নিদা মপূং ফানা পাইলস ফজখি। মরম অসিনা ওজাবু ঙমখে লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ওজাগী Ph. No. দি 8794429681, 8014623756 নি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-
1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6.30-4.30pm)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10 am to 4pm)

HL-P/5907/31 থাগৎচরিবী : Y. Mema Devi Thangmeiband Yumnam Leikai.

ফুরুপ/TRAIN YOUR CHILD BRAIN
MID BRAIN ACTIVATION COURSES
(A Life time gift to your child)
Develop your Child's 6th Sense, Nobody Become A Genius by Luck. We Create Leader for the future Make your Kids the Most 'Unique'.



জপানগী Technology অমগী মতেংনা পাঙথোকপা Mid Brain Activation Workshop/Training অসিনা অদোমগী অঙাংবু ৱাখল লৌশিং থৌহনবা, অফবা লমচৎ শাজৎকা লোয়ননা লাইরিক লাইশুদা মীথোই মীহেনবা, পুন্সিদা অচৌবা মায় পাকপা অমা শোয়দনা ওইহনবা ঙমগনি। ঙসি ফাওবদা মীথোই মীহেনবা অঙাং মশীং থিঙমদনা পুথোকখ্রবা, Sunday খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা কোর্স অসিদা অদোমগী অঙাংসু য়াওহনবীনবগীদমক Book তৌবিহৌরো। অকক্লবা সিট মশীংনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক কোল তৌবীরকউ।

100% Guarranty

Please contact:
Narajit Moirangthem, Midbrain Master
Genius Mind Tech. Imphal
☎ 8787562714 / 9862287481
Website :- www.gmtmanipur.in
Facebook : gmt imphal.

HL-P/6085/29,31

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN FOUNDATION COURSE Time : 4:30 pm to 7:30 pm
BOARDING FACILITIES (LIMITED SEAT)
TEST FOR EVERY SUNDAY
CLASS 3 TO10 STARTS ON 6TH JAN., 20




SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
Students of Heritage Convent, Nirmalabas, Don Bosco, Savio, Little Flower, St. Joseph, Regular, Oxfort, Tiny Tots, Christ Jyoty, IPS, Standard Robarth etc.

VAN AVAILABLE
Proper Imphal Thoubal, Sekmai Bishnupur, Phayeng Mayang Imphal, Pangei, Sawombung & Mantripukhri

7628946313 - 9402897710 - 8732022342

HL-P/5855/4/12-4/01


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লগা মরী লৈনদে।